## লিগেল এৱ্বেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা মসলসাগী মীৎয়েং মখাদা দি এল এস এ, চান্দেলনা শীন্দুনা 'দ নেগেটিভ ইফেক্টস ওফ ভোটর নেগ্লিজেন্স ওর নন ভোটিং' হায়বা টোপিকতা ঙসি চান্দেলগী কাননখু ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্বেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিদা এদভোকেট কে ঐচ জেকি লুসি লমকাংনা রিসোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। প্রোগ্রাম অসিদা ভিলেজ ওথোরিটি, পি এল ভি, লোকল সী এস ও, মহৈরোয়শিং অমসুং লোকল ক্লবশিংগী নহারোলশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৬তনা মণিপুর সেন্ত্রেল জেল ইম্ফালদা রিটাইয়র্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মাইবম মনোজকুমার, জেলগী এস পি এ কুঞ্জকেশ্বর অমসুং দেপ্যুটি এস পি এস কে বাদ্রিকা য়াওনা জেল অসিদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্বেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অদু মণিপুর সেন্ত্রেল জেলগী লিগেল এইদ ক্লিনিকনা দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

## নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা শেংদোক্কবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : কম্মিটি

ইম্ফল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) : নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীয়াম খঙনা বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা শেংদোক্কবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটি অমসুং জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা পি পি সী এমগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী এদভাইজর অমসুং পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মেমচৌবীনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৮২শুবা নুপী লাল শিনখিবা বি জে পিগী মহিলা মন্দলনা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা মরিং মরাংবা, মপানগী ফোটো য়াওনা লৈকৎলিবা অসি পুৱারী মুখৎনবা হোৎনবনি। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা থৌরমদা পুৱারী মাঙহন্নবা হোৎনরকপা অসিদা মমা ময়াম্না য়ারোই। নুপী লালগী পুৱারীদা মমা ময়াম্বু লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মমা ময়ামগী থম্মোয় শোকহনবা মরম্না নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীয়াম খঙনা শেংদোক্কদবনি। শেংদোরক্তবা তারবদি বি জে পি মহিলা মোর্চানা ঈরাং হৌহনবনি হায়না লৌগনি হায়খি।

নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী এদভাইজর অমদি চিতুৱাগীসু প্রসিদেন্ট ওইরিবী এম পুর্নিমাশি লৈমনা হায়, হন্দক্কী ৮২শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরম অসিদা বি জে পি মহিলা মোর্চানা মফম অহুম/মরিদা শিন্দুনা পাঙথোকই। পাঙথোকপীবগীদমক্তদি য়াম্না নুংঙাইজে। অদুবু হৌনদবা থবক চথরকপা অমদি পোলিটিক্সকী মায়ওন্দা চিংশিনবীরকপদৌনা উহন্নবা বি জে পিগী ফিরাল থেৎচিনবা অমদি বি জে পিগী লিদরশিংগী ফোটো ময়াম হাপচিনবা অসিনা পুৱারীগী লিক্লম মাঙহন্নবা হোৎনবনি। মসিদসু নত্তনা ইমা লৈবাক্কীদমক্ত হোৎনখিবা ইমাশিংনা পুৱারীবু নীংশিংজবা থৌরমদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ওইহল্লে। ৮২শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরমদা বি জে পিগী লিদরশিংগী ফোটো হাপচিল্লকপা অসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুৱারী মাঙহন্নবা শিনবগী মওংনি।

নুপী লাল নীংশিং থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা লৈঙাক্না পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা চহী ১০/১৫ অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক্তা থোক্ত্রি, উদ্রি। অদুবু হন্দকখক মহিলা মোর্চানা শিন্দুনা পাঙথোকপীবা অসিনা পোলিটিক্সতা চিংশিন্নবা হোৎনবা অসি মখা তানা তৌবীদনবসু হায়জরি। নুপী লাল নীংশিং থৌরম্বু পোলিটিক্সতা চিংশিনবীগনু। অদুনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীয়াম খঙনা শেংদোরক্তবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিনগনি হায়খি।

নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী এদভাইজর অমসুং কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমনা হায়, পুৱারীদা অমুক হন্না থোক্লরোই হায়নসু খঞ্জবা ৮২শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্নরি। মসিদা ইচাশিং অমদি মমা ময়াম পূন্না নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটি শেমদুনা থৌরম পাঙথোকই। পোলিটিকেল পার্টি ময়াম অমা মথং মথং চৎখ্রে। অদুবু হৌজিক মহিলা মোর্চানা শিনবা অসিদা চথরিবা থৌওং অসিদি ইমাশিংগী পুৱারী মুখৎনবা হোৎনবনি। অসুক কুইনা ইমাশিংনা পাঙথোরকপদা ইমাশিংগী মায়োক্তা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা শীংনবা থবক লৈরক্ত্রি। অদুবু ইমাশিং অমদি মৈরা পায়বী মুখৎনবা হোৎনরক্লিবা অসি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি। মসিদা মপাঙ্গল কনবা পার্টিনি হায়দুনা শেংদোরক্তবা তারবদি ইমাশিংনা মণিপুরগী মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা লাম্থেং চথরক্কনি। ইমাশিংনা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক লৌখিবা থৌদাংবু তরাইনা লৌবা অমদি মাঙনবা হোৎনরকপদা মীয়াম্না য়াগদবা নত্তে। অদুগা মমাশিংনসু লায়না লৌদে, ঐখোয় পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগসু মরী লৈনদে। মহিলা মোর্চানা শিল্লিবা অসি বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা লাউথোকখিবনি হায়খি।

নুপী লাল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী এদভাইজর অমসুং নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনি লৈমনা হায়খি, মহিলা মন্দল অসি ঐখোয়গী লমদা পুশিল্লকপা পামদে। খুবীনা খূৎয়েক পীরম্বা ইমাশিংনা লৈবাক্কী অমদি মচা মশুশিংবু কন্নবা হোৎনরম্বনি। মসিদা পোলিটিক্সতা চিংশিন্দুনা বি জে পিগী লিদরশিংগী ফোটো ময়াম হাপচিনবা অসি চুমদবা থবকনি। ঐখোয়দি ইমাশিংদুদা কৎচবা লৈনি, বি জে পিগী লিদরগী ফোটোদা করিগী কৎকদৌরিবনো। অদুনা মতাং অসিদা নুপী কল্লে হায়রগা নুপী মাঙনবা তৌবীগনু। অদুনা অথুবদা শেংদোকপীরকউ হায়খি।

## ডা. দেবকুমারিদা ...

*লামায় ১গী মখা...*অমদা স্পিকর ওইখিবী নেসনল গোভর্নিং বোর্দ মেম্বর (ভিবাভানি) ডা. বাচস্পতি ময়ূম দেবকুমারিবু মহাক্না নেসনল কোওর্দিনেসন টিম মেম্বর (ভি ভি আই) ওইনা পাঙথোকখিবা ভোলুন্টরি সর্ভিসশিংগীদমক শকখঙলদুনা 'সর্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিএসন' পীরকখ্রে।

এন এস ও আই এমগী থৌরম অদুদা মহাক্না কম্যুনিতিশিং অমসুং খুঙ্গংশিংদা সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট অমসুং মসিগী রেপ্লিকেসনশিংগী মরু ওইবশিং হায়লাইট তৌরদুনা বাইওদাইভরসিটি ইন্টিগ্রেটেদ ইকো টুরিজম প্লান (বি আই ঈ পি) ভর্সন ২.০গী গ্রাসরুট মোদেলগী মতাংদা স্পিকর ওইনা ৱা ঙাঙখিবনি।

আই আই এস এফকী মপূং ওইবা থৌরম অমা ওইখিবা এন এস ও আই এম-২০২১ অদু ডা. সেখর সী মান্দে (দি জি) না হৌদোকখিবনি। অদুগা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱাটর, এগ্রিকলচর অমসুং ইনভাইরনমেন্ট চেলেঞ্জেস অমসুং ওপরচ্যুনিতিগী মতাংদা টেক্নিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখিবনি।

হায়ব্রিদ মোদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা. বাচস্পতি ময়ূম দেবকুমারিনা নেসনল কোর্দিনেসন টিম মেম্বর (ভি ভি আই) ওইনা শরুক য়াখিবনি।

## অশি খয়াৎতগী হল্লকপা অমদি ভোট খোমহৌই হায়বা লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ হারম খোরজৈ লূপ (নোহাখোল)গী ২১৫ অমদি ২১৬ শুবা অইবা সনসম জয়কুমার অমসুং দিপাবলি সনসম অনীনা ইবা লাইরিক অশি খয়াৎতগী হল্লকপা অমদি ভোট খোমহৌই শৈরেং লাইরিক অনী অসি ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ এল্যুমনি এসোসিএসন (দি এম সী এ এ) গী প্রসিদেন্ট এন ইবোহল, য়ুরেম্বমদা লৈবা নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. এল সশিকুমার, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্র, দি ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ লাইওন ক্লব- পি দি জি- এস সী এ দিষ্ট্রিক্ট-৩২২ দি এল এন এম জে এফ, এম গোজেন্দ্রো অমদি এ এম ই এগী প্রসিদেন্ট এস রিশিকুমারনা মথং শিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লাইরিক অনী অসিবু ইখিবা এস জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা ভোট খোমহৌই হায়না মীংথোনবা মতম-মতমগী থেংনরুবা থৌদোক-ৱাথোক ইশানা হকথেংননা থেংনরুবা অমসুং উরু-তারুবশিংদা য়ুম্ফম ওইবা হীরমদা ইবনি। মীয়ামদা শল্লপনা করম্বা মওংদা পাউদমসিগে খন্দুনা শৈরেং লাইরিক ওইনা পুথোকচবনি। মসি মহাক্কীদি চাংয়েং অমনি হায়খি। পিল্লবা মণিপুর অসিদা মতম-মতমগী ওইনা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি মহাক্না হকথেংননা থেংনখিবশিং অদু মহাক্কী ৱাখলদা ফাওরকখিবশিং অদু মতম-মতম অদুদা থবক তৌনা-তৌনা মহাক্কী আই পেদ এপলদা ইশিন্দুনা থমহৌবনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা অচৌবা মীওইশিং লৈঙাক পায়রিবশিংদগী হৌরদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নোংমগী চরা তানবদা থেংনরিবা নুপী অহলশিংদগী হৌরগা নহা ওইবিশিংনা হিংনবগী লানফমদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবশিং অদুবু কাউবা ঙমদনা অদুমক লৈহৌরগনি। মীয়াম্না অফ-ফত্ত হায়বিরকপা খুদিংমক হরাউনা লৌজগনি। লোয়ননা মতুংদা চুমথোকচগে অদুগা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা অপাননা খন্দুনা ইবা নত্তে। অমরোমদা থা অসিগী ২৫গী নুংথিলগী পুং ১২.৩০ তাবদা সনাহনবি চিংঙারেলনা ইবা নুরা ইবেম্মা হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ইম্ফালগী হিন্দি পরিষদ হোলদা রিলিজ তৌবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়রি।




## 'কোরস' কী থিয়েটর ইভেন্ট'কী অরোইবা প্লে অনী






বনিয়ান রিপর্টরি ঠিএটরগী *'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ'* লীলাগী মমি

দিসেম্বর ১২, ২০২১ নোংমাইজিং নুমিৎতা হৌখিবা, কোরস রেপর্টরি থিয়েটর'না শীন দুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ তরুকনিগী 'থিয়েটর ইভেন্ট' - দিসেম্বর ১৭, ইরাই নুমিত্তা লীলা অনী নোংমতদা পুল্লপ উৎলগা লোইশিনখ্রে - ইম্ফাল থিয়েটরগী *'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ'* অমদি 'কংলৈ লিভিং আর্ট' (কংলা) উচিৱা' গী *'ডাক্টর ফোষ্টস'*। তারিখ ১৪, লৈবাকপোকপা নুমিৎ'তা উৎকদবা 'বনিয়ান রেপর্টরি থিয়েটর' গী 'জালিয়ানৱালাবাঘ' - লীলা হৌরমদাইমক্তদা টেক্নিকেল ওইবা প্রোব্লেম অমা থোক্লক্তুনা উৎপা ঙমখিদে। মথংগী নুমিত্তা থঙথরগা উৎহনখি। অদুনা মরম ওইদুনা দিসেম্বর ১৫দা উৎলমগদবা 'ডাক্টর ফোষ্টস', ইভেন্ট অসিগী অরোইবা প্লে ওইনা উৎখি।

অরোইবা নুমিৎকী অহানবা প্লে 'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ', ক্ষেত্রি সনাজাওব'না ইবনি। মমিং চৎলবা দ্রামানি, অনৌবা নত্তে। অদুবু, ইম্ফাল থিয়েটর'না শান্নবা ওইনা উবদি 'ইভেন্ট' সিদা উরিবসিনা অহানবনি। সিনিয়র ওইরবা মণিপুরগী থিয়েটর-দাইরেক্টর লোইতোংবম দোরেন্দ্র'না দিরেক্সন পীবনি। নৌরিবা এক্টরশিংনা শান্নবা দ্রামা ওইরবসু, মরু ওইবা ক্যারেক্টর-রোল লৌরিবা এক্টরশিং, নীংথিনা ত্রেনিং ফংলবা এক্টরশিংগুম এক্ট তৌই, রিহার্সেল নীংথিনা তৌরগা পুথোক্লকপই মমি তাই। এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দাইরেক্টর অমগী পোথোকনি। অয়েংবশিংগী পূক্নিং-ৱাখল খোন্দুনা পুরগা মহাভারতকী কুরুক্ষেত্র-লানফম ময়ায়দা, শোয়দনা মায়থীরগদবা লানফমদুদা চঙননবগী শেম-শারিবা 'কর্ন' - কৌরব তেঙ্গোলগী লানচিংপুরেন ওইনা লান চঙলগদবা নুমিত্তুগী অহানবা কোরৌ মশেক উদ্রিঙৈ অহিংদুদা মহাক্কী লোয়নবী পদ্মাবতিগা অরোইবা ওইনা পুকমেন পাউমেন্নবদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎলকপা লীলাগী মশক অমনি 'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ'।

ক্ষেত্রি সনাজাওবা, লীলা-ইবা অমা ওইনা 'মণিপুরী থিয়েটর'দা অচৌবা মফম অমা কল্লবা, মায় পাক্লবা অইবনি। মহাক্কী খূৎইশিং হেন্না কূপ্না নৈনদুনা মহাকপু খঙনবা হোৎনবা তঙাইফদবা অমনি। মহাক্কী প্লে'দি আইদিয়া অমা মাঙদা থল্লগা, আইদিয়া অদু দ্রামাটিক ক্যারেক্টর খরগী মতেংনা অয়েংবশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবনি। ত্রেদিসনেল ওইবা দ্রামাটিক এলিমেন্টশিং কূপ্না খঙলবসু থওইদবা অইবনি। লীলাসিমকসিদসু ৱাখল্লোন অসি নীংথিজনা মমি তাই। মতিক মথৌনা, থোইদোক হেন্দোকপ গুন কয়ানা লৈতেংলবা 'কর্ন', নিংথৌকোনগী য়াইফনবতা খল্লগা শেম্বা চৎনবী অমনা, লাইবক্না তাথীরবা মীওইবা অমা ওইহনখিবা ... 'শোয়দনা লানঙম ফিরান থেৎলগনি' হায়বা থাজবা অমগা লোয়ননা লান চঙগদৌবগী ঙাইরিবা অথৌবা লানচিংপুরেন অমবু, লানফমদা চঙদ্রিঙৈ হান্না মায়থীবা পীনবা হোৎনরকপা থৌরাং অদুবু নিন্দা তৌদুনা ইননবা হোৎনরকপনি। মশেক-মঙালনা ফূদোঙলবা পুন্সি অমদগী মঙাল পীরিবা শক্তিদু লৌথোক্লবা হোৎনরকখিবা 'কৃষ্ণ' গী থৌরাং অদুবু পদ্মাবতিগী খূথাংদা নিন্দা তৌবা খূৎইনি। লানফমদা চঙদৌরবা লাল্লোয় অমদা থৌনা হাপ্পুনা, লানঙম ফিরাল পায়দুনা, মায় পাক্লবা লাল্লোই অমা ওইনা হল্লক্লবা য়াইফ-পাউজেল পীবই মহুৎ, নীংবা কায়বা, থাজবা মাঙলবা, অকিবনা থুমহৎলবা পুন্সি-খোঙলোই মাগী মফমদগী 'চঙনা হল্লক্কনি থাজদ্রবা, শোয়দনা লুখ্রা ওইরগনি' হায়বগী ৱাখলনা থুমহৎলবা ৱাহৈশিংদু তাবদা 'কর্ন' না হংখি ... 'কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা য়েক্লবনা মায়থীবা পীদ্রিঙৈ নঙনা হান্ননা নপুরোইববু মায়থীবা পীরগেরা'...।

লীলা অসি য়েংলুঙৈ, অয়েংবা অমা ওইনা ঐবু খ্বাইদই থম্মোয় শোকহনখিবদি - লান ঙমদুনা হল্লক্লবা থাজবা পীগদবী চিন্দুনা ... 'নোংসু শোয়দনা ঙাল্লগনি, লানসু শোয়দনা চঙলগনি, ঐসু শোয়দনা কপ্পগনি... লুখ্রা ওইগনি হায়বগী অকিবনা নীকহল্লবা পূক্নিংগী অকিবসি চুমহনবীরো'... হায়রকখিবা ৱাহায় অদুনি। মায়থীগনি খঙলবা লাল্লোয়দুদা শোয়দনা শিরগনি হায়বা ফোঙবা হৌনবরা? অদুগা, পদ্মাবতি'না কর্ন'দা লানগী খূৎশু শিন্নবদু 'থাঙশাং' অমা শিন্নবগী মহুত্তা 'লীরুং' অমা শিন্নবনা মরম চাবা হেল্লমগনি - কর্নগী থাঙ নত্তে 'লীরুং-তেন'নি।

নুমিৎতুগী অনীশুবা প্লে 'কংলৈ লিভিং আর্টস'কী 'ডাক্টর ফোষ্টস', বৃটেনগী খ্বাইদই মমিং চৎলবা লীলা ইবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা 'খৃষ্টোফর মার্লোৱ' গী মালেম শিন্না ফাওরবা লীলাদু 'ঐচ সরোজকুমার'না মীতৈলোন্দা হন্দাক্লগা থৌনাওজম প্রেমজিৎ'না দিজাইন অমসুং দিরেক্সন তৌদুনা পুথোক্লকপনি। মশাগী চহী ২৯ খক্তা ভায়রিঙৈদা শিখি থাজনবা অইব'সিনা মহাক শিখ্রে হায়দুনা মীয়ামদা লান্না থাজহল্লগা 'ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়র' হায়বা অশেম্বা মিং অসি শীজিন্নদুনা মখা তানা দ্রামা ইরকখিবনি হায়বা থিওরি অমসু লৈ।

'ফোষ্টস' - জর্মনগী 'রোহদ' সহরদা পোকখিবা, 'ৱিতনবর্গ য়ুনিভর্সিটি'দা মহৈ তম্লকখিবা, মহাক্কী থোইদোক-হেন্দোকপা লৌশিংগীদমক মমিং চৎখিবা মীশক অমনি। ডোক্টরেট দিগ্রী পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা 'ডোক্টর ফোষ্টস' - মশাদা লৈজরিবা লৌশিং-জ্ঞান অদুনা পেঞ্জখিদে। ফিলোজোফি, মেদিসিন, লো অমদি থিওলোজি... মহাক মমূৎ তানা পারে, খঙলে - মদুনা মহাকপু মায় পাক্লবা, ইনাক খুনবা, শক্তি লৈবা মীশক অমা ওইহনবা ঙম্লোই থাজখি। মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈবা মীশক অমা হায়বদু ওইনীংখি। মীবু ওইদবনা অচুম্বা ওইনা উহনবা 'মেজিক' (মিত্রং) হায়বা সবজেক্ট অসি মহাক্কী অপাম্বদু ফংননবা হোৎনবদা খ্বাইদই লায়বা পান্থে অমা ওইগনি থাজখি। ব্লেক আর্ট তম্লকখি। মহাক্কী পূক্নিংদা 'অফবা লাই' (গুদ এঞ্জেল) অমসুং 'ফত্তবা লাই' (বেদ এঞ্জেল) অনী থোক্লক্তুনা, থবক অদু তৌদনবা অমসুং তৌননবা অকনবা থৌঁইনশিন পীরকখি। ফত্তবা লাইনা ঙমদুনা, মহাক্না পাম্বা থবক অদুদা মায় পাক্লবা মীশক অমা ওইরকখি। অপাম্বা খুদিং ফংলবসু, তৌনীংবা তৌবা ঙম্লবসু - মদুনা পূমপেন পেনবা অপেনবদুদি ওইরমদে। পাপকী ফল অমদি ফংফম থোকপা চৈরাক্তুদই কনানসু নাম্থোকঙল্লোই ... পাউজেল অসি অয়েংবা খুদিংমক্কী থম্মোয়দা য়ৌহল্লম্মী।



বনিয়ান রিপর্টরি ঠিএটরগী *'ডাক্টর ফোষ্টস'* লীলাগী মমি

## খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা তেংদোংয়ান মনিং লৈকায়দগী মরিশুবা আই আর বিদা রাইফলমেন ওইরম্বা য়ুম্নাম সঞ্জিত মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী) থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি তৌরম্বা অদু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নবদগী মতম খরগী ওইনা হন্দাক্লে হায়রি।

অদুমকপু খোঙজং হন্দোক্লিঙৈগী চৈরক্তা অমুক হন্না নাকল অনীগী মরক্তা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা য়াশিন্নবা পুরক্তগাদি মখা তানা নেসনল হায়ৱে অসি থিংবদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং জে এ সীনা অমুক চৎথরক্কনি হায়না কনভিনর গুনমণিনা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ ৩গী...

*লামায় ১গী মখা...* চয়োল ৬ শাংদোকহনবীনবা ঙরাং ত্রাইব্যুনেলদা অইবা চে ওইনা পীশিন্নরকখিবগা লোয়ননা চিনহায় ওইনা ফোঙদোক্লরকখি হায়রি। দিসক্বালিফিকেসন কেস অহুম্মক্কী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিং অদু ত্রাইব্যুনেলনা তারবা মতুংদা প্রেয়র তৌরকখিবা চয়োল তরুক্কী মতম অদুবু চয়োল অহুমদা তেনশিলহন্দুনা নুমিৎ ২১নিখক্কী মতম পীরদুনা দিসক্বালিফিকেসন কেস অহুমগী প্রোসিদিংশিং মথং থাগী ৮দা পাঙথোক্লবা লেপখি। অদুম ওইনমক ত্রাইব্যুনেলনা পীরিবা চয়োল অহুমগী মতম অসিগী মনুংদা শোয়দনা কেসশিং অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা এম এল এ অহুম্মক্না মখোয়গী মায়কৈদগী ত্রাইব্যুনেলদা পীখৎফম থোকপা রিটন কম্মেন্ট/পাউখুমশিং শোয়দনা পীরক্কদ্রা হায়বদুদি লেপথোকপা ঙমদ্রি। কনাগুম্বা রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদগী মখা তানা পাউখুম পীখৎলক্লবগী মতম শাংদোকপীনবা হায়জরক্লবসু ত্রাইব্যুনেলনা খন্নরগা দিসিজন অমা লৌরবা য়াই হায়রি।

## থা খুদিংগী চীফ মিনিষ্টর শিন্নবা হোৎনখিবদু কাউনদ্রি...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা য়ৌরকপা ঙমজবনি। মীয়াম্না বি জে পিদা শৌগৎপীখিবা অমসুং অচেৎপা থাজবা অদুতনা অহোংবা ময়াম অসি পুরকপা ঙমজখিবনি। মীয়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎপীখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রদুনা মখা তানসু বি জে পিবু মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু, বি জে পিদা ভোট পীবিয়ু। ঈং-চিকপা, তংদু লৈতাবা চাওখৎপা লমদম অমা শেম্মীন্নসি হায়খি।

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অসিগী মতুংদা বি জে পিগী লৈঙাক শোয়দনা লাক্কনি। মদু বি জে পি খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা ওইহনবা পাম্মী। বি জে পি খক্তগী ওইবা লৈঙাক ওইরবদি লমদম অসি সনাগী লৈবাক ওন্থোক্কে। কোলিসন গভর্ণমেন্টসিদি অৱাবনা পীক থল্লি। থা খুদিংগী চীফ মিনিষ্টর শিন্নবা হোৎনখিবা অদু মীয়াম্নসু কাউনদ্রি। মসি থোক্তনবা বি জে পি খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা থম্নবা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহনবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ৱাই রাধেশ্যাম, মিনিষ্টরশিংদা থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং ও লুখোই, এম এল এশিংদা করাম শ্যাম, এম রামেশ্বর অমসুং বি জে পি হিয়াংলম মন্দলগী প্রসিদেন্ট হেমন্ত থৌদামনচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হিয়াংলমগী এম এল এনা এ সী অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু মীয়ামদা পাউদম্লদুনা ফীভম য়াম্না শোক্লবা ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী য়াম্না থুনা শেম্লগনি। হন্দক পার্টিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদানা মণিপুরদা লাক্লম্বদা ষ্টেট অসিগী লম্বী খরা শেম্নবা খুদোল তৌরম্বদা ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী অসিসু য়াওরে হায়খি।

মহাক্না হিয়াংলম এ সীগী মীহুৎ ওইরকপদগী ঙসি ফাওবদা এ সী অসিগী মফম কয়াদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক খরা খরদা ওইরবসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা অনৌবা কম্যুনিতি হোল ১৩ শারে। হান্না লৈরম্বা ৮ শেমজিন শাজিল্লে। ক্লবকী শঙ তরুক, ক্রিমেটোরিয়ম ৫ শারে। লৈকায় কয়াদা পাকা দ্রেন চল্লে। মীয়ামদা থক্ল-চানবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি। টেজপুর হৈত্রোইপোকপীদা ইকো টুরিজম পার্ক শেমগৎপগী থবক লোইশিল্লক্লে, ইলেক্সন মমাঙদা শঙ্গারগনি হায়খি।

অমরোমদা, মেদিকেলগী শিনফমদা লৈরিবা পূম্নমক্না মীয়ামগী থৌগল তৌবদা মখোয়গী প্রোফেসনেলিজম অমসুং ইথিক্স ঙাকপীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী ১৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জেনিমসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা লায়েংশঙ অমা ওইবদা নত্তনা ষ্টেটকী মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা জেনিমসকী মপোক কুমওন থৌরম অসিদা মহাক্না মখা তানা হায়, ইকুই কুইদনা হৌদোকখিবা 'হেল্থ ফোর ওল' স্কিমগী মখাদা ডাক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংনা য়ূমথোঙ খুদিংদা হেল্থ চেক-অপ অমসুং হীদাক লাংথক্কী কানবশিং মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা ফংহন্দুনা লাক্লি হায়খি।

লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভকী মতমদা মমল য়াল্লবা মীয়ামগী থৱায় কন্নবগীদমক ডাক্টর, নর্স, আশা ৱার্কর অমসুং পেরামেদিকশিংনা মমল নাইদ্রবা থৌদাং লৌখি হায়নসু মখোয়বু তৌবীমল খঙবা উৎখি। লোয়ননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অসি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কা মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা মহাক্কী লৈঙাক্না সেন্টরদা লেপ্পুনা তকশিল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুগা জেনিমসতা অথুবা মতমদা পি পি পি মোদেলগী মখাদা কেন্সর হোস্পিটাল অমা লিংখৎলগনি হায়খি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জেনিমসতা এম বি বি এসকী সিট মশীং হেনগৎহনবীনবা হেল্থ মিনিষ্ট্রিদা তকশিল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূম্নমক্কী মনুংদগী খনগৎলগা চৎলিবা কুমজা ২০২১দা পীখিবা ষ্টেট এৱার্দশিংগী মনুংদগী মণিপুরনা এৱার্দ অহুম ফংবা ঙমখি। এৱার্দশিং অদুদি অপিকপা ষ্টেট ওইবগী হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎপগী এৱার্দ অমা অদুগা লৈঙাকলোন নিংথিজনা চথবগী বেষ্ট পার্ফোর্মিং স্মোল ষ্টেট এৱার্দ অমসুং এগ্রিকলচরদা বেষ্ট ইমপ্রুভ স্মোল ষ্টেট এৱার্দনি হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা লেমজনীংঙাই ওইরবা এৱার্দশিং অসি ফংবা ঙম্লিবসি মণিপুরগী মীয়াম্না অমত্ত ওইনা পীরকখিবা মতেংদগীনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা জেনিমসতা পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্ট ১, সী টি স্কেন মেছিন ১ অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী জেনিমস ব্রাঞ্চ হাংদোকখি। লোয়ননা জেনিমসকী মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা চীফ মিনিষ্টরনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা অখন্নবা মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা মেরিটোরিয়স এৱার্দশিং য়েন্থোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ডা. সাপম রঞ্জন, এল দি এ অমসুং এম এস পি দি সী এলগী চেয়রমেন এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, জেমিসকী দিরেক্টর ডা. এল দেবেন অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মমাঙদা ঙসি অয়ূক চীফ মিনিষ্টরনা ইট রাইট মেলা, ২০২১-২০২২গী মখাদা ৱার্কএথোন অমা ফ্লেগ ওফ তৌখি। প্রোগ্রাম অসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা মেদিকেল দিরেক্টোরেটতা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমনা অফবা চিঞ্জাকশিং খক্তমক চাবগা লোয়ননা হকচাং ফনা থম্নবনি হায়রি।

## লমলোংদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক এন আর এফ এমনা ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফল, দিসেম্বর ১৮ : থা অসিগী ১৫গী অয়ূক অঙনবদা লমলোং তিনসিদ লম্বীগী বোবি ফার্মাসিদা পোকখায়খিবা বোম এন আর এফনি হায়রদুনা ইরমদম অসিগী ইরৈচা অমত্তা লূপকী য়েক্লবা নত্তে। লূপ অসিনা ইরৈচা অমদি ইরমদম অসিগীদমক নীংতম লান চঙশিল্লি। ঐখোয়গী মীচম মীয়ামশিংদা অকি অখং, অশি অনা থোকহনবসিসু লূপ অসিগী ইথৌ নত্তে। অদুবু ফত্তবা য়োকখৎপা হায়বসিদি ইশাগী খোঙ ইশানা ককথৎপা ওইনা থোক্কনি হায়রি।

ৱাফম অসি নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুরগী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওনা মৈতৈগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু তুমিৎ কাংগুম খন্দুনা মোংফমগী লমদম শেমগৎপগী থৌরাংদা অনৌবা শকলোন অমা হাপচিল্লকখি দ্রগকী কৈথেল ওন্থোকপা মণিপুরবু, মণিপুর ইন্দিয়ানা দ্রগকী ঈচাও থোকহনবনি মসি চাইনা ওপিয়ম ৱারগা মান্নে, অফস্পা অমদি দ্রগ অনী তুনা চঙশিল্লকপা ঐখোয়বু তুম্না মুখৎকে হায়বগী থৌরাংনি। মসিগী মায়োক্তা ঐখোয়গী মীয়াম্না অনী অসিগী চৈথেং অৱাবগী ঙমখৈ লৈতনা থেংনরি হায়রি।

এন আর এফ এমনা চঙশিল্লিবা নীংতম লান অসিগী মনুং চন্না লৈবাক খুন্নাই অসিবু মাঙনবা ইনখৎলক্লিবা ঐখোয়গী নহারোল তুংগী মীরোলশিংবু তিন চঙনবা থৌরাং য়াৎলিবা, লম্বী লান্না চিংলিবা কয়াবুদি ঙমল্লিমখে লূপ অসিগী নীংতম লান মনুং চন্না থেংনগনি। মসিদা মীশি মীনা, অশোক অপন খরদি থেংনগনি হায়বা খঙনা লূপনা মাঙজৌননা মীয়ামদা নৎত্রগা লম্ অসিদা চেন্নরিবা মশাদা হান্না খংহন ৱা থম্বগী কাঙলোন লূপনা শেমদুনা চৎনরি। নৈনরিবা ৱাফম অসিগী মনুং চন্না নোংপোক ইম্ফালগী লমলোং তিনসিদ লম্বীদা অনা হীদাক য়োনফম বোবি ফার্মাসি অসি হান্নসু মীয়াম খঙনা লূপ অসিগী চৈরাক ৱা হায়খ্রবা মতুংদসু মাগী ফত্তবা হৈনবী দ্রগ য়োনবা চথরি। লূপকী ৱাফম করিসু থৌশাদবা, লূপ অসিগী মথক্তা শিংনবগী থৌরাং কয়া তৌরকপা মরমশিং অসিগী চৈরাক ওইনা লূপনা বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইখিবনি। মীয়ামদি হান্না লূপনা মফম অসিদা চঙবীদনবা অমদি নকশিন্দনবা হায়জখ্রবনি। মথং তাবদি লূপ অসিনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা করি করম্বা থৌরাং লৈ হায়বা লূপকী অরোনবা থৌরাংদা থমজরে হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

| | |
|---|---|
| FOREX (INDIA RUPEES) | |
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 85.458511 |
| US Dollar | 76.027619 |
| British Pound | 100.654786 |
| Australian Dollar | 54.183076 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.924728 |
| Japanese Yen | 0.668660 |
| Malaysian Ringgit | 18.022040 |
| Singapore Dollar | 55.595316 |
| South Korean Won | 0.064000 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.274032 |
| Thai Baht | 2.273893 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47769.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48600.00 |
| Delhi | – | Rs | 48382.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48685.00 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Uptodate**
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390, 8787632782
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 10-12-21
**B/upto - 13-12-21**
**Stock 306**
7am to 10am
**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 11-11-21.**
Valid.09-11-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no.
6381538861, 8414043907,
Whatsapp.no. 6009260971
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

Akoimart
Live Easy
Follow us @ Akoimart akoimart24

A Brand Name of Regd. Firm
**M/s. Akoi Services & Maketing Solutions**
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O & P.S. Porompat,
Imphal East District, Manipur -795005

**WE ARE HIRING!! SINCE WE'RE GROWING & EXPANDING!**
Experienced and dedicated candidates who require the following job may apply as per terms of submission given here under:

| S.No. | NAME OF THE POST | No. | QUALIFICATION & EXPERIENCE |
|---|---|---|---|
| 1. | **Sales Manager** Age: (35-40) yrs | 2 | Any Graduate or Post graduate with min 5 to 7yrs of experienced in sales from any company,dealer, distributor etc. with good comunication skills. |
| 2. | **Supervisor** Age: min. 40 yrs | 2 | Post graduate or Graduate in any field preferably experienced in supervising and managing of Production house / Mill / Store / Warehouse. |
| 3. | **Business Development Executive (BDE)** Age: (25-35) yrs | 5 | Any Graduate or Post graduate with min 1 to 2 years of experience in sales and marketing in any industry |
| 4. | **Graphic Designer** Age: (25-40) yrs | 4 | Bachelor's degree in graphic design or related field preferably with 1-2 yrs experience in graphic designing. |
| 5. | **Junior IT executive** Age: (23-30) yrs | 4 | MCA/BCA/B.Sc/M.Sc in Computer Science/DOEACC O & A level.Experienced/fresher may apply. |
| 6. | **Customer Care Executive** Age: (25-40) yrs | 4 | Graduate or PostGraduate in any field preferably experienced from BPO/Call Centre Industry(Voice). |
| 7. | **Field Executive** Age: (25-35) yrs | 6 | Any Graduate or 12 passed with 0 to 1 years of experience in direct sales . |

**Note:** Candidates who owned four wheeler vehicle can apply for delivery service on commision basis with certain terms and conditions.
Kindly Submit your updated CV on or before 24th **December, 2021**
at E-mail ID: **career.akoimart@gmail.com** or call at **9366095791/9863778292.**
*Salary will be fixed as per qualification, status and experience of the candidates.*
**Shortlisted Candidates will be called for interview through phone calls.**
HL-P/0974/19